# বিহারদা এন্সেফলাইটিস নাবা অঙাং ময়াম অমা শিখিবা লৈবাকসিগী ঈকাইনিঙাইনি ঃ মোদি



*ন্যু দিল্লি, জুন ২৬(এজেন্সি)ঃ*
একুট এন্সেফলাইটিস সিন্দ্রোম অমসুং জপানিজ এন্সেফলাইটিস কী মরন্না বিহারদা থা অসিদা অঙাং ১৬০ হেন্না শিখিবা হায়বসি লায়বক থীবনি অমসুং মদু লৈবাক অসিগীদমক য়ান্না ঈকাইনিঙাই অমনি হায়না ঙসি প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা হায়খ্রে।

ঙসি রজ্য সভাদা প্রসিদেন্টস এদ্রেসকী মোসন ওফ থেঙ্কসকী দিবেটতা পাউখুম পীরদুনা প্রাইম মিনিষ্টরনা হায়খি, একুট এন্সেফলাইটিস সিন্দ্রোমনা মরম ওইদুনা বিহারদা শিবগী থৌদোকশিং থোক্লিবসি লায়বক থীবনি অমসুং ঐখোয়গীদমক য়ান্না ঈকাইনিঙাই অমনি। মসি ঐখোয়না হকচীন্না লৌগদবনি।

ঝরখন্দদা মুস্লিম নহা অমা মীয়াম হুপচীন্দুনা হাৎখিবগী মতাংদা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা তুমিন্না লৈখিবা অদু তোক্লন্দুনা ঙসি থৌদোক অদুনা মহাকপু চৈনা ফাওহল্লি অমসুং মরী লৈনবশিং অদু অকনবা চৈরাক পীগদবনি হায়খ্রে। অদুবু ঝরখন্দ, ৱেষ্ট বেঙ্গল নৎত্রগা কেরেলা ওইরবসু, লৈবাক অসিদা থোকপা হীংশাগী থৌদোক পূন্নমক চপ মান্ননা থবক লৌখৎকদবনি অমসুং আইনগী মতুং ইন্না চথফম থোকপা থবক চথুগদবনি হায়না চেৎনা ফোঙদোকখি।

রজ্য সভাদা মীওই খরনা ঝরখন্দবু মীহাৎপুং হায়না ফোঙদোকই, মসি চুমব্রা। মখোয়না ষ্টেট অমবু করিগী ঈকাইবা পীরিবনো। ঐখোয় কনামত্তনা ঝরখন্দ ষ্টেটপু ঈকাইবা পীনবগী হক লৈতে হায়না নরেন্দ্র মোদিনা হায়খি। হীংশাগী থৌদোকশিং অদু ওপোজিসন পার্টিশিংনা লৈঙাকপা ষ্টেটশিংদা থোকপনি হায়খি।

বিহার হেল্ঠ দিপার্টমেন্টকী মতুং ইন্না লায়চৎ অদুনা বিহারগী দিষ্ট্রিক্ট ৪০গী মনূংদা ২০ শোকহনখ্রে অমসুং জুন ১দগী অঙাং ৬০০ হেন্না নাখ্রে। বিহারদা অঙাং ৪৩০ হৌজিক ফাওবদা হোস্পিটালদা পুখৎলকখিবদা য়ামদ্রবদা ১৩০ শিখ্রে। ব্রেন ফিবর হায়নসু খঙনবা একুট এন্সেফলাইটিস সিন্দ্রোম অসি ভাইরস কয়ামরুমগী মনূংদগী অমনা থোকহনবনি। মসিগী চপ চাবা মরমশিং খঙদ্রি, অদুম ওইনমক মেদিকেল প্রোফেসনেল অয়াম্বনদি মসি শাথিনা কনবা হীট-ৱেবকা মরী লৈনৈ হায়রি।


## সেন্টরগী ফম লাক্ষ ৬.৮৪ হাঙলি

*ন্যু দিল্লি, জুন ২৬(এজেন্সি)ঃ*
মিনিষ্টর ওফ ষ্টেট ফোর পার্সোন্নেল জিতেন্দ্র সিংহনা পীবা অইবা পাউখুম অমদা সেন্ট্রেল গভর্ণমেন্ট দিপার্টমেন্টশিংগী অপূনবা সেঙ্কসন পোষ্ট লাক্ষ ৩৮.০২গী মনূংদা মার্চ ১, ২০১৮ ফাওবদা লাক্ষ ৩১.১৮ মেনশিনখ্রে, ফম লাক্ষ ৬.৮৪ হাঙহৌরি। মসি থবক্তগী পোথাখিবা, শিখিবা, প্রমোসন কাখিবা অসিনচিংবদগীনি। হাঙলিবা ফমশিং অসি রিক্রুটমেন্ট রুলসশিংগী মতুং ইন্না মেনশিনবগী মথৌ তাই হায়না মিনিষ্টর জিতেন্দ্র সিংহনা হায়খি। ২০১৯-২০২০গী মনূংদা মিনিষ্ট্রিশিংনা পুখৎলকপা অহাংবা ফম ১০৩,২৬৬ মেনশিন্নবগী একজামিনেসনশিং পাংথোক্লবা ষ্টাফ সেলেক্সন কমিসননা থৌরাং তৌখ্রে হায়নসু মহাক্না অতোপ্পা পাউখুম অমদা হায়খি।

## অর্বিন্দ কুমারনা ইন্টিল্লিজেন্স ব্যুরোগী মকোক, সমন্ত গোয়েলনা রো চীফ ওইরগনি



সমন্ত গোয়েল



অর্বিন্দ কুমার

*ন্যু দিল্লি, জুন ২৬(এজেন্সি)ঃ*
গভর্ণমেন্টনা ঙসি লৈবাকসিগী ইন্টিল্লিজেন্স য়ুনিট ২গী অনৌবা মকোকশিং হাপখ্রে।

লৈবাক অসিগী এক্সটর্নেল ইন্টিল্লিজেন্স এজেন্সি ওইরিবা রিছার্স এন্দ এনালাইসিস ৱিং নৎত্রগা 'রো'গী ওপরেসন্স ইন-চার্জ ওইরকখিবা সমন্ত গোয়েলনা অনিল ধমসনাগী মহুৎ শিন্দুনা মসিগী চীফ ওইনা থবক পুরগনি।

ইন্টিল্লিজেন্স ব্যুরোগী কাস্মির দেস্কতা নম্বর ২ ওইরিবা অর্বিন্দ কুমারনা রজিব জেনগী মহুৎ শিন্দুনা মসিগী মকোক ওইরগনি।

হোম মিনিষ্টরনা ফাইল অমা সহি তৌখ্রে অমসুং মদু পি এম ওদা চৎখ্রে হায়না প্রাইম মিনিষ্টর'স ওফিসতগী সেনিয়ার ওফিসার অমনা এজেন্সিদা হায়খি। ওফিসিয়েল অনীমক অসিনা জুন ৩০দগী মখোয় মখোয়গী থবক অদু পায়বা হৌরগনি।

মিষ্টর গোয়েল অমসুং মিষ্টর কুমার অনীমক ১৯৮৪ বেটচগী আই পি এস ওফিসারশিংনি।

১৯৯০গী চহীশিংদা পঞ্জাবতা খূৎলাই পায়বগী ইহৌ য়ক লাওখিবা মতম অদুদা মিষ্টর গোয়েলনা ঈরাং অদু লাক্লিনবদা মতেং ওইখি। মহাক দুবাই অমসুং লন্দনদসু পোষ্টিংদা লৈখ্রে।

অসাম-মেঘালয়া কাদরগী ওফিসার অমা ওইরিবা অর্বিন্দ কুমারনা বিহারদা ইন্টিল্লিজেন্স ব্যুরোগী মকোক ওইনা থবক পুরকখি। মদুগী মমাঙদা মহাক্না মতম শাংনা মসিগী এদমিনিষ্ট্রেসন অমসুং ইনক্কারি ব্রান্সশিং য়েঙশিনখি।

# অমেরিকানা অচুম্বা নত্তবা লম্বী অমদা চংশিন্নবা হোৎনরি হায়না ইরাননা ফোঙদোকখ্রে



*জিনেভা, জুন ২৬(এজেন্সি)ঃ*
অমেরিকানা অচুম্বা নত্তবা লম্বী অমা চংশিন্নবা হোৎনরক্লি হায়না ইরানগী প্রসিদেন্ট হাসন রৌহানিনা ঙসি য়ুমশকৈশা নুমিৎতা ফোঙদোকখ্রে হায়না আই আর আই বি ন্যুজ এজেন্সিনা হায়রি।

নখোয়না অচুম্বা নত্তবা লম্বী অমা চৎনবা খল্লে হায়না ঐহাক্না ঙসি অমেরিকানশিংদা হায়রি হায়না প্রসিদেন্ট রৌহানিনা হায়খি।

হৌখিবা চয়োলদা অমেরিকাগী দ্রোন অমা টেহরাননা কাপথখিবা অদুগী মতুং ইরানগী মথক্তা শাফু হেনগৎনবা অঙকপা ফংনা, মমাঙদা অমুক্তা তৌখিদ্রিবা খোঙথাং অমা লৌদুনা নিংথৌকাবা নুমিৎতা য়ু এস প্রসিদেন্ট দোনাল্ড ট্রম্পনা ইরানগী সুপ্রিম লিদর অয়াতোল্লাহ আলি খামেনৈ অমসুং অতৈ মকোক থোঙবা ইরানিয়ান ওফিসিয়েলশিংদা সেঙ্কসন থমখি।

ইতিহাসিক ওইবা ২০১৫ ন্যুক্লিয়ার দিল অদু কায়হন্দনা থন্নবা য়ুরোপিয়ান সিগ্নেটরিশিংনা মতিক চানা হোৎনদে অমসুং দিল অদুগী মখদা ইরানগী ৱাশক ঙাক্তুনা লৈবা হায়বসি য়ুরোপ লৈবাকশিং অমসুং য়ু এসকী কান্ননবনি হায়না রৌহানিনা হায়খি।

মহাক্না কিহনবশিংবু হৌজিকসু ইরাননা হকচিন্না লৌরি হায়না য়ু এসকী ট্রম্পনা হায়রি। ষ্টেট ওফ হোরমুজগী মথক্তা দোল্লর মিল্লিয়ন ১০০ হেনবা অমেরিকান সরভাইলেন্স দ্রোন অমা টেহরাননা কাপথখিবা অদুগীদমক খূৎ হনবগী এটেকশিং অয়াবা পীবগী মায়োক্তা মহাক্না ৱারেপ লৌখিবা অদুগী মতুং অসিদা ফাওবা মহাক্না কিহনখিবশিং অদু ইরাননা হৌজিকসু হকচিন্না লৌরি হায়না প্রসিদেন্ট ট্রম্পনা হায়খি।

ইস্লামিক রিপব্লিক ন্যুজ এজেন্সি (আই আর এন এ)গী মতুং ইন্না য়ু এসনা সেঙ্কসনশিং তৌদুনসু ইরাননা মখোয়গী থাওগী পোখোকশিং মপান্দা থাদোকপগী চাং নেগৎলক্লি হায়না ঙসি লৈবাকপোকপা নুমিৎতা সেন্ট্রেল বেঙ্ক গভর্ণর অবদোলনাসের হেমমাতিনা হায়খি।


ইরানগী থাও য়োনবগী চাং জিরোদা লৈহন্নবা অমেরিকানা ফনা হায়জদুনসু মপান লৈবাকশিংদা থাও থাদোকপা হেনগৎলক্লি হায়না সেন্ট্রেল বেঙ্ক গভর্ণর অদুনা হায়খি।

য়ুনাইটেদ ষ্টেটসনা ইরানগা ৱারী শান্নসি হায়না খূৎ লাম্বোলক্লিবা অদু মীনম্বগী থবক অমনি হায়না ইরানগী সুপ্রিম লিদর অয়াতোল্লা আলি খামেনৈনা মাগী ওফিসিয়েল ৱেবসাইটতা ফোঙখিবা ৱারেল অমদা ঙসি হায়খি।

নেগোসিয়েসনশিং অসি মখোয়না পাল্লিবা অদু ফংনবগীদমক মীনম্বগী লাল্লোং অমনি, নংগী নখূৎতা খূৎলাই অমা লৈরে অমসুং মখোয় নক্না চংশিলকপা ঙমদ্রে। নঙোন্দা ঐহাক্না পাম্বা খুদিংমক ঐনা তৌবা ঙম্নবা খূৎলাই অদু থাদোকউ হায়না মখোয়না হায়রি। মসি নেগোসিয়েসননি হায়না খামেন্নৈনা হায়খি।

য়ু এস গভর্ণমেন্টকী খ্বাইদগী হেন্না মবুক ফৎতবা ওফিসিয়েলশিংনা ইরানবু মরান শীরি অমসুং ঈকাইবা পীরি। অসিগুম্বা ঈকাইবা পীবশিং অসিগী মমাঙদা ইরানিয়ান নেসননা কৈদৌঙৈদা মখোয়গী ৱাফম য়ারোই অমসুং খোঙফম হন্দোক্লোই হায়না ইরানগী সুপ্রিম লিদর অসিনা হায়খি।

## ইরানগা থেংনবা য়ু এসকী লান মতম কুইনা চংলোই ঃ প্রসিদেন্ট ট্রম্প



*ৱাসিংটন, জুন ২৬(এজেন্সি)ঃ*
করিগুম্বা ইরানগী মথক্তা মিলিটরিগী থবক চথবা মথৌ তারক্লবদি মহাক্না লৈমায়দা লান্মী থাজিনবগী ৱা পল্লোই অমসুং থোক্লকপা লান অমা মতম কুইনা চংলোই হায়না য়ু এস প্রসিদেন্ট দোনাল্ড ট্রম্পনা ঙসি ফোঙদোকখ্রে।

লান অমা থোকপা য়াবগী ফিভম লৈরব্রা হায়বা ৱাহং অমদা ফোক্স ব্যুজিনেস নেটৱাকতা য়ু এস প্রসিদেন্টনা হায়খি- ঐখোয়না তৌদবা ওইসনু হায়না আশা তৌই। অদুবু করিগুম্বা মওং খরা থোক্লকপা তারবদি ঐখোয়া য়ান্না কনবা ফিভম অমদা লৈরি। ঐনা লানফমগী লৈমাইদা লান্মী থাজিনবগী ৱা ঙাংলোই। ঐনা শেংনা হায়নীংলিবদি করিগুম্বা খরা থোক্লকপা তারবদি মদু মতম কুইনা চংলোই হায়বসিখক্তনি হায়না ট্রম্পনা হায়খি।

ইরানগা তৌনবা ন্যুক্লিয়ার এগ্রীমেন্ট অমদগী য়ুনাইটেদ ষ্টেটসনা হৌখিবা চহীদা তোকথোক্লকখিবা অদুগী মতূংদগী উংখৎনবগী থৌওংশিং হেনগৎলক্লিবা অদুনা খূশি-খূৎনাম্বোক্তগী লান থোক্লকখিবা য়াই হায়না এলাইশিংনা ৱার্নিং তৌরকখিবগা লোয়ননা ইরানদা চপচানা লান্দানবা দোনাল্ড ট্রম্পনা ওর্দর তৌরুরগা লান্দারমদাই সুপ্নগী মিনিৎ খরতগী মমাঙদা মদু তোক্লবা ওর্দর অমুক তৌখি। মদুগী নুমিৎ খরনিগী তুংদা মহাক্কী ঙসিগী ৱাফমশিং অসি ফোঙদোক্লকখিবনি।

হৌজিক নাকন অমত্তদা মীচং চংদনা লৈরিবা য়ুরোপকী লৈবাকশিংদা নাকন অমদা মীচং চংনবগী শাফু পীগদবা খোঙথাং অমদা ইরাননা মখোয়গী য়ুরেনিয়মগী পূক্কেগী চাং অককব্বা থল্লিবা এগ্রীমেন্ট অদু থুগাইগদবা সুপ্নগী নোংমতং ঙাইরে হায়খি।

ইন্টরনেসনেল ট্রেদতা য়াওদুনা খুদোঙচাবা ফংহনবগী মহুৎ ওইনা ইরাননা ২০১৫ ন্যুক্লিয়ার দিলদা ন্যুক্লিয়ার প্রোগাম হম্থুহন্নবা লৈবাক অসিনা য়াখিবনি। হায়রিবা ন্যুক্লিয়ার দিল অদুগী তম্ব-ঙমদবা মরাইবক অদুনা য়ু এস অমসুং ইরানগী মরক্তা খৎনরিবা অসিগী মরুওইবা মরমনি।

মালেমগী লৈবাকশিংদা ইরানগী থাও য়োনবা পূংথিং থিংনবগী পান্দমদা ৱাসিংটননা হৌখিবা চয়োলদা সেঙ্কসনশিং হেন্না কনখৎহনখি।

## মীয়ামগী তেঙবাংশেনদগী ককহৌবা বেঙ্গল ওফিসিয়েলশিং হৌজিক জেলগী চৈরাক ফংলবা য়াই ঃ রিপোর্ট



*কোলকতা, জুন ২৬(এজেন্সি)ঃ*
ৱেষ্ট বেঙ্গলদা ৱেলফিয়ার স্কিমশিংগী কান্নবা ফংবা মীওইশিংদগী শেন ককথরগা লৌহৌবা মীখলদা খনবা মীহুৎশিং অমসুং গভর্ণমেন্ট ওফিসিয়েলশিং হৌজিক অকনবা আইন অমগী মখাদা মরান শীরগনি অমসুং করগুম্বা কনভিক্সন পীবা তারবদি জেলদা পূন্সিগী চৈরাক ফাওবা ফংলবা য়াই হায়না চীফ মিনিষ্টর'স ওফিসকী লিখুলশিংনা ঙরাং ফোঙদোকখ্রে।

পব্লিক সার্ভেন্ট অমা নৎত্রগা বেঙ্কর, মার্চেন্ট নৎত্রগা এজেন্টনা থাজবা হাৎপা ক্রিমিনেলগী থবক চথবগা মরীলৈনবা ইন্দিয়ান পেনাল কোদকী সেক্সন ৪০৯গী মখাদা মরমচৎ চুমদবা মীয়ামগী মীহুৎশিং অমসুং গভর্ণমেন্ট ফংসনরিশিং অদু মরান শীগনি।

অনৌবা লো অসিগী মখাদা কনভিক্সন পীরবা মীওই অমা মপূন্সিগী জেলগী চৈরাক নৎত্রগা চহী ১০ ফাওবা শাঙদোকপা য়াবা জেলগী চৈরাক্তা লোয়ননা ফাইন তৌগনি। ৱারেপ অসি চীফ মিনিষ্টর মমতা বেনর্জিনা লৌখিবনি হায়না লিখুনশিং অদুনা হায়খি।

পাউ অসি তান্নরকখিবদগী হৌজিক ষ্টেট অসিগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা মীয়ান্না লাঙবা হৌরক্লে। লৈঙাক পায়রিবা ত্রিনামুল কোংগ্রেস লূচিংবা কয়ামরুন্না ককহৌখিবা শেনফমশিং অদু অমুক হন্দোকউ হায়না দিমান্দ তৌদুনা ওমশিন্নরকখ্রে।

জুন ১৮দা ত্রিনামুল কোংগ্রেস কাউন্সিলরশিংগী মীফম অমদা ৱা ঙাংবদা মমতা বেনর্জিনা ৱেলফিয়ার স্কিমশিংগী কান্নবা ফংবা মীওইশিংদগী মখোয়না লৌহৌখিবা কমিসন নৎত্রগা ককহৌখিবা শেনফম হন্দোকখিনবা মখোয়দা ওর্দর তৌখি।


ঐনা ঐগী পার্টিদা হুরানবশিং থম্বা পামদে, করিগুম্বা ঐহাক্না থবক লৌখৎলক্লবদি মখোয় অতোপ্পা পার্টি খরদা য়াওখিগনি। লায়রবশিংদা পীবা য়ুম শানবগী গ্রান্টশিং অদুগীদমকসু লূচিংবা খরনা চাদা ২৫গী কমিসন লৌনবা মুক্লি। খুদক্তা মসি তোক্কদবনি। করিগুম্বা কমিসন অদু লৌরুরবদি নখোয়না মদু হন্দোকখ্রো হায়না মৈ হৌনা শাওরবা মমতা বেনর্জিনা মীফম অদুদা হায়খি।

অদুবু মহাক্কী মহৌশা নত্তবা দিরেক্টিব অসিনা মথঙ চহীগী সিভিক পোলশিং অমসুং ২০২১দা পাংথোক্কদৌরিবা এসেমব্লি ইলেক্সনদা মাগী পার্টিগী ফিভমদা শোকহন্নীংঙাই ওই হায়না মীওই কয়ানা খন্নরি।

হৌজিক চীফ মিনিষ্টরনা মচরমচৎ চুমদবা লূচিংবশিংগী মথক্তা ফোর্মেল ওইনা ৱাকৎশিং তৌনবা অৱাবা তারবশিং অদুদা পূক্নিং থৌগৎনবা পুলিসতা খঙহনখ্রে অমসুং অচম্বা মীয়ামবু অৱাবা পীদনবা পাউতাক পীখ্রে হায়নরি।

ৱাকৎশিংবু হেক থাংগৎলক্লবদি স্কিমশিং অদু পঞ্চায়তশিং নৎত্রগা সিভিক বোদিশিংনা চল্লাইবনা অয়াম্বা ওইবা মরন্না সিভিল এদমিনিষ্ট্রেসননা হেক্তা ইক্কারি চথবা ঙম্লগনি হায়না এ দি জি (লো এন্দ ওর্দর) জ্ঞানৱন্ত সিংহনা হায়খি।

## দ্রগ ফাবদা য়ুরোপতা খ্বাইদগী চাওবা ওইনা মেথামফেতামিন টোন ২.৫ ফাখ্রে



*অমষ্টরদাম, জুন ২৬(এজেন্সি)ঃ*
য়ুরোপতা হৌজিক ফাওবগী মনূংদা খ্বাইদগী য়ান্না দ্রগ ফাবা অমদা ষ্ট্রিট ভেলুদা য়ুরো মিল্লিয়ন চা কয়া ওইগদবা মেথামফেতামিন টোন ২.৫ মখোয়না ফারে হায়না ঙসি দটচ পুলিসনা হায়খ্রে।

হৌখিবা চয়োলগী দ্রগ ফাখিবা অদুগী মতূং হৌজিক ফাওবদা চেন্নবা অমত্তা ফাবা ঙমদ্রি, অদুনা মখোয়বু ফানবা তান্নরি হায়না পুলিসকী ৱাঙাংলোই থোমাস এলিংনা হায়খি।

দ্রগশিং অদু মপান লৈবাক্তা থাদোকখিগদবনি, মদু নোংপোক থংবা য়ুরোপতা ওইরম্বা য়াই।

হন্দক পাংথোকখিবা ৱাষ্ট ৱাটর টেষ্টশিংনা য়ুনাইটেদ ষ্টেটস নৎত্রগা অষ্ট্রেলিয়াগা চাংদন্নবদা দটচ সিটিশিংদা মেথ শিজিন্নবগী চাং নেম্বা উৎলি, অদুবু শিজিন্নবা হেনগৎলক্লি হায়না মহাক্না মখা তাখি।

মখোয়না চথরক্লিবা থিজিনবা অদুগী মখা তারকপা ওইনা ওফিস বিল্ডিং অমদা চংলূবদা দ্রগশিং অদু ফংলকখিবনি। অনীশুবা মথোল অদুগী মনূং অদুনা মপান্দগী হেন্না পীকপদু খঙখি। মদুদগী মখোয়না অরোনবা কা অমা খঙবা ঙমখি। মদুদা দ্রগশিং অদু চেকমুম চাওবা ময়োমশিং পোৎ-চৈ লৈবদা শিজিন্নবা খাওজাওশিংদা হাপ্লগা লোৎতুনা থল্লম্বনি।

মসিদসু নত্তনা মখা তারকপদা দটচ পুলিসনা কোকেন চামথোকপদা নৎত্রগা সিন্থেথিক দ্রগশিং শেম্বদা শিজিন্নবা কেমিকেল লিটর ১৭৫০০ সু য়ুট্রেচ সিটিগী ৱায়ার হাউস অমদা লোৎলম্বা থেংনখি।

দ্রগশিং অদু পুবদা শিজিন্ননবা ওইরমগনি থাজবা অহোবা মখুল হুৎতোকপা রোকশিংসু হায়রিবা মফম অদুমক্তদা ফংখি হায়রি।

## মৈগী চীং পোকখাইখ্রে

*কোকোপো, জুন ২৬(এজেন্সি)ঃ*
মালেমগী মনূংদা খ্বাইদগী খুদোঙথিনীংঙাই ওইবশিংগী মনূংদগী অমনি হায়নরিবা পপুৱা ন্যু গীনিয়াগী মৈগী চীং উলাৱুন নোংথক্তা ৱাংনা লভা কাপখৎতুনা অমসুং অকোয়বদা লৈরিবা মীয়াম ময়ুম থাদোক্তুনা চেন্নহন্দুনা ঙসি য়ুমশকৈশা নুমিৎতা পোকখায়রকখ্রে।

মৈগী চীং অদুগী ময়োল ক্রেটর অদুগী মনাক্তা পাইখিবা ঙিয়ুগীনি হেলিকোপ্টরশিংগী পাইলোট অমনা ইক্কেটরদা লৈবা অতিয়া অদুদা লাভা মপৈ অমা য়ুঙনা কাপখৎলকপা উখি। ঈথৎ অদুগী অৱাং থংবগী মরুওইবা হায়ৱে অদু লাভানা ককথৎখ্রে হায়না উহৌবশিংনা হায়রি। ঙসি অয়ুক পূং ৭তগী য়াংলপ তৌনা লাভা কাপথোক্তুনা মৈগী চীং অদু পোকখায়বা হৌরকখি হায়না ৱেষ্ট ন্যু বৃটেন দিজাষ্টর ওফিসকী লিও কোরিপুরানা হায়খি।

## অরোইবা মতম থারিবা জুলাই মাঙওইননা অসাম সিটিজন্স লিষ্টতগী অহেনবা লাক্ষ অমসু লৌথোকখ্রে



*গুৱাহাতি, জুন ২৬(এজেন্সি)ঃ*
অসামদা ড্রাফট নেসনেল রেজিষ্টার ওফ সিটিজন্স নৎত্রগা এন আর সিদগী মী লাক্ষ অমা হেন্না লৌথোকখ্রে।

ঙসি ফোঙখিবা ড্রাফটতগী অহেনবা লৌথোক্লিবা লিষ্ট অদু হৌখিবা চহীগী জুলাইদা ফোঙখিবা ড্রাফট সিটিজন্স লিষ্টতা মমিং য়াওখিবা মীওই লাক্ষ ১.০২গী মমিংশিংনি।

য়ুমথংনবা বংলাদেসতগী অসামদা আইননা য়াদবা মওংদা চংশিল্লকখিবা মীতোপশিং খন্দোক্লবগীদমক অসাম সিটিজন্স লিষ্ট অসি ১৯৫১দগী অহানবা ওইনা অমুক নৌহৌনা শেমদোক্লিবনি।

সিটিজন্স লিষ্টতগী লৌথোক্লবা মীওইশিং অদুদা মখোয়গী ময়ুম লৈফমশিংদা চিঠিশিং পীদুনা লন্নাই ওইনা পাউ খংহনগনি।

ঙসি লৌথোক্লিবা মিংশিংগী লিষ্ট অদু নেসনেল রেজিষ্টার ওফ সিটিজন্স ৱেবসাইটতগীসু খঙবা ঙমগনি। মমিং লৌথোক্লবা মীওইশিং অদুনা জুলাই ১১ ফাওবা দেজিগনেটেদ এন আর সি হেল্প সেন্টরশিংদা মখোয়গী ৱাকৎশিং থাগৎনবগী খুদোঙচাবা ফংগনি।

হৌখিবা চহীগী জুলাই ৩০দা ফোঙখিবা ড্রাফট সিটিজন্স লিষ্ট অদুদা মীওই লাক্ষ ৪০ হেনবগী মিংশিং য়াওরকখিদবদগী অচৌবা ৱাথোক ওইখিবনি।

মখোয়গী মনূংদগী মীওই লাক্ষ কয়ানা অমুক হন্না ভেরিফিকেসন তৌনবা ৱাকৎ চেশিং থাংগৎলকখি। এপ্লিকেসন ক্রোর ৩.২৯গী মনূংদগী মীওই ক্রোর ২.৯গী মমিংশিং ড্রাফট লিষ্ট অদুনা য়াওখি।

অসামদা এন আর সিগী থবক অসি সুপ্রিম কোর্টগী মোনিটরিং মখাদা মতমগা চান্ননা নৌনা শেমদোকপনি। অসামগী মীওইশিংগী লিষ্ট অমা ওইগদৌরিবা ফাইনেল এন আর সি অদু জুলাই ৩১দা ফোঙদৌরি।

প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা লোক সভা মীখলগী মাঙওইননা সিটিজন্স লিষ্ট অদুগী মতাংদা ৱা ঙাংবদা ফাইনেল এন আর সিদগী অশেংবা ইন্দিয়ান অমত্তা ফাওবা হুন্দোক্লমলোই হায়খিবনি।


## GAS TODAY

**Bashikhong Indane**
Booking : 18/05/19
Valid : 07/05/19
Sl. No. : 42839
Stk : 306
Time : 07.00 to 10.00 a.m.

**Maibia Gas, Moirang**
Booking : 03/06/19
Sl. No. : 6300
Valid : 30/05/19
Sl. No. : 5116
Stk : 612
Time : 07.00 to 11.00 a.m.

**Yairipok Gas Service**
Booking : 27/06/19
Valid : 15/06/19
Stk : 306
Time : 07.00 to 10.00 a.m.

**K & K Indane**
Booking : Up to Date
Stk : 306
Time : 07.30 to 11.00 a.m.
First Come First Serve

**T D K Gas**
Booking : 21/05/19
Valid : 17/05/19
Stk : 612
Time : 07.30 to 10.30 a.m.

**Misao Gas Service**
Booking : Up to Date
Stk : 306, 19kg & 5kg Avail
Time : 07.00 to 11.00 a.m.

**Manipur Gas**
Booking : Up to Date
Stk : 306, 19kg - 36
Time : 07.30 to 09.30 a.m.

**Khongnang Indane, Bisnupur**
Booking : 30/05/19
Valid : 28/05/19
Stk : 306
Time : 07.30 to 10.00 a.m.

**R B D Indane**
Booking : 10/06/19
Valid : 15/05/19
Stk : 612
Time : 06.30 to 10.30 a.m.

**Imphal L P G**
Booking : Up to Date
Stk : 365, 19kg & 5kg Avail
Time : From 08.30 a.m.

**J Rongmei Indane**
Booking : 11/05/19
Valid : 09/05/19
Stk : 306
Time : 06.30 to 09.30 a.m.

**Hrangchal Gas**
Booking : 11/06/19
Valid : 08/06/19
Stk : 306, 19kg Available

**Leibaklei Gas, Kakching**
Booking : 24/06/19
Valid : 04/06/19
Stk : 612
Time : 07.30 to 10.30 a.m.

**M M Gas Service**
Booking : 15/06/19
Valid : 11/06/19
Stk : 612
Time : 07.00 to 10.30 a.m.


## SANA - SUDOKU

*Rules :- Nos. given in the grid should not be changed. Free boxes is to be filled with numbers from 1 to 6 horizontally and vertically without repeating any numbers.*

**Hard Sana Suduku-164**

| | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| | 9 | | | 4 | | 8 | | 7 |
| 3 | 7 | | 8 | | | | | 9 |
| | | 4 | 3 | | | 5 | 6 | |
| 9 | | 7 | | 8 | | | 1 | |
| | 6 | 3 | 7 | | | 4 | | |
| 4 | | 8 | | | 3 | | | |
| | 4 | | | | 7 | | 9 | |
| 8 | | | | 6 | | | | 4 |
| 7 | | | | | 8 | 3 | | |

**সনা-সুদোকু – ১৬৩ গী সোল্যুসন**

| | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| 5 | 1 | 3 | 7 | 4 | 2 | 8 | 9 | 6 |
| 6 | 7 | 8 | 9 | 3 | 5 | 4 | 1 | 2 |
| 9 | 2 | 4 | 6 | 1 | 8 | 3 | 5 | 7 |
| 7 | 5 | 1 | 8 | 9 | 4 | 2 | 6 | 3 |
| 3 | 8 | 6 | 5 | 2 | 1 | 9 | 7 | 4 |
| 4 | 9 | 2 | 3 | 6 | 7 | 5 | 8 | 1 |
| 1 | 6 | 9 | 2 | 8 | 3 | 7 | 4 | 5 |
| 2 | 4 | 5 | 1 | 7 | 9 | 6 | 3 | 8 |
| 8 | 3 | 7 | 4 | 5 | 6 | 1 | 2 | 9 |